থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূক্লিং’সিবু ৱারকপা

রামকৃষ্ণ-মিসন-স্কুল, পুরুলিয়াদা তম্লকপা, ফেমিলি ফ্রেন্দ ওইনা তিন্নবা ঐগী ইনাও অমা (লাইশ্রম রতনকুমার)না নোংমা হায়খি... ‘স্বামি বিবেকানন্দদি’ লাইরিক অমা পাবদা, ঐখোয়না ৱাহৈ পরেং অমমম লেংশিন্দুনা পারিবসিগী মহুত্তা, অমুক্কী মীৎয়েংদা লামায় অমমম পাবা ঙম্মী হায়’...। ‘গুন্তুর’ (অন্দ্ধ প্রদেশ)কী হোটেল অমদা তৌবা পার্টি অমদা হায়রকখিবনি। অতাবা মরুপ অতৈনা ৱাফম অদু থাজখিদে। লৌবা য়াদবা ৱানি হায়দুনবু করেম্নবীখি। ৱাফম অমা তাবদা নৎত্রগা পাবদা থাজবা/থাজদবগী চাং অসি তারিবা মী অদুগী ৱাখলগী থাক অদুগী মখা পোল্লি- সাইকোলোজিষ্টশিংনা হায়বগী ৱা, লাইরিকশিংদা পারকখি। ৱাফম অদুগী অচুম-চুমদগী ৱা’না অমনি। থাজবা ৱাবা ৱাফম অমা ওইরবসু ঐহাক মুন্না খন্থখি। ‘ইস্কোন’না ফোঙবা লাইরিক অমদসু পাখি- লাইগী পাউ পুথোক পুশিন তৌবদা মমিং চৎপা ‘নারদ-মুনি’দা ‘শ্রীহরিদু লাইরৈবাক্তা করি তৌদুনা লৈহৌই’ হায়না হংবদা নারদ-মুনিনা ‘মহাক্তি য়েত্তুম মখূন্দা শামু অমা লীৎহনগনি হোৎনহৌরি’ হায়না খুম্লকপদা, অতাবা অমনা ‘ওইবা য়াদবা, লৌবা য়াদবা ৱাসিবু’ হায়দুনা নারদ’দগী মমায় লৈথোকখ্রগা, অতোপ্পা অতাবা অমনদি ‘ইবুংঙো মাদি তৌগে’তা ঙম্বনি, ওইথোক্লরোইদবা থবক অমা ইবুংঙো মানা তৌহৌবদু উরক্লিবা নহাকসি, কয়াদা নরাইবক ফরবনো’ হায়না খুম্লকখিবই ৱারী। ৱাফম অমা তাবদা পূক্লিংসিনা করম্না লৌশিনবগে হায়বগী, ‘মাইন্দ পর্সেপসন’গী ৱারীনি। পীক্লিবা অঙাং অমনা ৱাহৈ অমা পাবা ঙম্নবা ময়েকশিংদু লেংশিল্লগা পাবদুগা, মাষ্টর-কোর্স লোইরবা অমনা লাইরিক অমা পাবগা খেন্নবা অদুগুম্বনি। অহল মরকসিদসু, অমনা নুমীৎ নীনি চঙনা পারবসু খঙদবা, অতোপ্পা কনাগুম্বনদি পুং অমখক পারগা ইরায় লায়না খঙদোকখি। মীওইবগী পূক্লিংগী শক্তি অঙকপনি। দাইলুটেদ এসিদ অমদি কন্সেন্ত্রেটেদ এসিদ অনী খেন্নবগুম্বনি।

থাজসিরা? থাজগুমসিরা? স্বামি বিবেকানন্দগী মরমদা, মহাক্লা ইরম্বা ঙাংলম্বা, মাগী মরমদা অতোপ্পনা ইরম্বা লাইরিক কয়া মথং মথং পারকখি। নরেন্দ্রনাথ দট্ট-স্বামি বিবেকানন্দ ! মাবু তাইবং শক্তাকপীখিবা, লাইরিক ময়েক চত্তবা, রামকৃষ্ণ পরমহংস’ননি। মহাকপু মালেমদা শক্তাকখিবা- মাগী অমেরিকা খোঙচত্তুননি। মালেমগী অফাওবা ধর্ম্মগী লুচিংবশিংবু ঙকহনখিবা- মাগী লেকচর অদুননি। মহাক্লা পীখিবা লেকচরদু শকউদবা ঈশ্বর অমনা মহাক্কী লৈতোন্দা তোংলগা ইনশিন্দুনা হায়হল্লকখিবা ৱাহৈ অমত্তা নৎখিদে। মহাক্লা ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈ পারকখিবা বেদ-বেদান্তগী লাইরিকশিং, লাইগুম্লবা গুরুশিংনা মঙোন্দা হাপচিনবীরকখিবা লৌশিংশিং, হাপ্লিমখৈ চনবা কোক’তুদা হাপচিনখিবা লৌশিং-পূক্কৈদুদই লৌথোকখিবমক্তনি। চিকাগোদা পাঙথোকপা ‘ৱর্ল্ড পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন’ অদুদা মহাক ৱা ঙাংলুনবগী অয়াবা/ইনভাইটেসন ফংদুনা চৎখিবা নত্তে বিবেকানন্দ। মীয়ামদগী শেল নিরগা, খায়রগা মরন্নাই ওইনা চৎলুবনি। পার্লিয়ামেন্ট অদু হৌগদবা নুমীৎ কয়ানিগী মাঙওইননা থুংলুই চিকাগো’দা। চিকাগো’দা লৈবদা তিংগদবা শেনফম, মশাদা য়াওরিবদুনা কোন্নরোইদবদুগী খল্লগা, মতম খরা ‘ফ্লোরিদা’দা লৈরুনবা চৎখি। ফ্লোরিদাদা চৎপগী ত্রেন খোঙচৎ অদুদা শকখঙনখিবা অমেরিকান মচাদুগী মতেংনা বিবেকানন্দ’না ‘রিলিজিয়স পার্লিয়ামেন্ট’ অদুদা ৱা ঙাংবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি। মহাক্কী ময়ুমদা লৈদুনা নুমীৎতুফাও’ ঙাইখিবনি। মতম লেনফম খঙদ্রবা বিবেকানন্দ’না নুমীৎ খূদিংগী, লাইব্রেরী অমদগী লাইরিক লৌদুনা পাখি। থার-থারবা লাইরিক অনী-অহুম লৌখ্রগা, মথংগী নুমীৎতা অমুক থিনগৎলক্তুনা অতোপ্পা লাইরিক খরা অমুক লৌখিবা, মথংগী নুমীৎতা অমুক থিনগৎলকপা... অসুম তোয়শিল্লকপদুদা খোয়শাওনরবা লাইব্রেরিয়ন অদুনা নোংমদি অসুম্না হায়রকখি হায়... ‘হে মিষ্টর ! করিগীনো নঙনা পাসু পাদনা, নুংতিগী লাইরিক ময়াম অমা লৌদুনা শান্নরিবা?... পাবা ঙমগদবা লাইরিক্তুদমক খল্লগা লৌবীয়ু... অসূপ থাবা লাইরিকসিবু, অনী অহুম, মী অমনা নোংমদা পাবা ঙম্বা ওইথোক্তে’...।

নোকফেৎ তৌরগা বিবেকানন্দ’না খুমখি, ‘মেদাম ! লাইরিকশিং অসি পূক্লিং চঙনা, মমুৎ তানা, ৱাহৈ অমত্তা চিংখদনা পাবা লোইরবা মতুংদনি থিনগৎচরক্লিবা‘। থাজখিদে নুপীদু। থওই-ৱাওইদনা লৈথোকখি। মখা তানা মঙোন্দা লাইরিক ৱায়হন্নিংদ্রে খঙলদুনা বিবেকানন্দ’না হায়জখি, ‘মেদাম ! ঐবু থাজবীদ্রমাল্লে, লাইরিকশিংসি ঐনা পারে নৎত্রগা পাদ্রি হায়বদু মেদামনা থাজবীনবা চাংয়েং অমত্তং তৌবীয়ুদনা’!

নুপী লাইব্রেরিয়ন অদুনা লাইরিক অমা তাপ পায়খৎলগা, সৎ হাংদোক্লগা লাইরিক্তুগী ‘লামায় ১৫০দা করি ইরি হায়রকউ’ হংবদা ‘লামায়দুগী ৱাহৈ খূদিং’ অমত্তা চিংখদনা বরং বরং হায়থরকখি। ঙক্লবা নুপীদুনা অতোপ্পা লাইরিক্তুগী লোইরমদাই লামায় হাংদোক্লগা হংবদসু অৱাৎপা অমত্তা লৈতনা হায়রকপদুদা পূমঙক ঙক্লবা নুপীদু বিবেকানন্দগী মখোঙ শোক্লা খুরুমখি। ঈশ্বরমক্লা মমাঙদা লেপ্পলরবগুম লাইজখি। বিবেকানন্দগী তুংইনবী ওইরকখি।

ঙসিগী মীরোল অসিগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি ‘স্পিরিচ্যুঅল’ ওইবা লাইরিক অমদি ৱাখল্লোন’দগী লাপখিবা ! মেতরিএলিজম’দা নকমনখিবনা শেল পায়বা, ইনাক খুনবা মী ওইননবা হোৎনবা, অফংবা/অঙম্বা পাম্বৈনা শেল তানবা হায়বসি নত্তনা অতোপ্পা অমা খল্লক্তবা, শেল পায়বা হায়বসি মায় পাক্লবা পুন্সিনি, শেল তানবা ঙমদ্রবা-মায়থীরবা পুন্সিনি খন্নরকপা... ৱারকপা ঙমদ্রবা পূক্লিংনা শেমগৎলকপা মীওইবগী লমচৎনি। বিবেকানন্দগী পাউতাক্লি... ‘লাইরিক অমা পাবদা, লাইরিক্তুনা হায়রিবা ৱাহৈশিংদু নত্তনা অতৈ অমা তারুনু, ৱাহৈশিংদুনা শেম্লকপা পূক্লিংগী তাইবংদু নত্তনা অতৈ অমা উরুনু... পূক্লিংদুদই থক্তোরকপা মঙাল পূম্বা তাশিল্লু, তাইবংদুদা তাহল্লু- মদু ঙম্বা মহাক্তুনি মঙাল নাইবা মীশক... মহাক্কী পূক্লিংগী শক্তিদুদি মপান নাইদে’...। মদুমক্লি স্বামি বিবেকানন্দগী মপাঙ্গল, মাগী পাঙ্গলদুননি মালেমসিদা মহাক্লা কিখিদবা কনাবু। মহাক্লা হায়- ‘কনাবুনো নঙনা কিরিবা, নঙমুক ঙম্বা কনা লৈ’?

# দিমেন্সিয়া নাবা হৌরকপা:

লৌশিং পুক্কৈ

## নুমিৎয়ুংবা মতুংদনা হেন্না থেংনবা চেকশিন্নিংঙাই ওইবা খুদম ১



দিমেন্সিয়া হায়বসি মীপুম খুদিংমকপু শোকহনবা য়াবা, চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংদনা হেন্না পাক শন্না নাগনবা, মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা পুন্সিগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীবা অনাবা অমনি। মসি অহল ওইরবা মীওইশিংদনা হেন্না পাক শন্না নাই হায়রগসু নহা ওইরিবা এদল্টশিংদসু মসিবু থোকহনবা কন্দিসন খরনা নাবা মতমদা লায়না অসিগী লাইওংশিং দিভেলপ তৌরকপা য়াই। কাউগনবা, ৱাখল চমম্নবা, ৱা ঙাঙনবা অমদি ইথোক্লবা হোৎনবদা ৱাবা, অমদি জজমেন্টকী পাঙ্গল শোন্থরকপা, হায়রিবা খুদম পুন্নমক অসিনা মীওই অমবু দিমেন্সিয়াগা লোয়ননা হিংবদা য়াম্না খুদোংচাদবা ওইহল্লি। লাইওংশিং অসি চহী ৬৫গী মতুংদদি য়াম্না মায়োক্লবগী চাং হেন্না তোয়শিল্লকই, অদুবু চহী নৌরিঙৈ মতমদগী উৎপা হৌরকই। মখোয়শিং অসি মশাগী চহী ৩০ লানখৎলকপা নৎত্রগা ৪০ লানখৎলকপা মতমদগী উৎপা হৌরকপা দিটেক্ট তৌবদা ৱানা থোকপা খুদমশিংনি। মখোয়শিং অসিবু মতম চানা মশক খঙদোকহৌবা হায়বসিনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লায়েংবা হৌবদা মতেং পাংবা ঙমই। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা হেন্না তোয়না থেংনগনবা দিমেন্সিয়াগী খুদম অমা হায়রগদি সনদাউনিং হায়বা অসিনি।

**সনদাউনিং হায়বসি করিনো?**

সনদাউনিং হায়বসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মায়োক্লবা ৱাখল চমম্নবগী ফিভম অমনি অমদি মসি নুমিদাংগী মতম ফাওবা শাংথদুনা লৈ। হায়রিবা কন্দিসন অসিনা মখল কয়াগী সিম্পটমশিং উৎপা য়াই, খুদম ওইনা ৱাখল চমম্নবা, এঞ্জাইটি, শাউগনবা/তমথিবা নৎত্রগা মাইকৈ ঙাওবা অসিনচিংবশিংনি। হেল্লুসিনেসন নৎত্রগা দিলুসননচিংবসু সনদাউনিংগা মরী লৈনবা য়াই, মসিনা নুমিদাং অথেঙবদা নুংঙাইনা তুম্বগী ফিভমদা অকায়বা থোকহনবা য়াই। মায়ো ক্লিনিককী মতুংইন্না, সনদাউনিং হায়বসি লায়না অমা নত্তে, নোংমগী অকক্লবা মতম অমদা মায়োক্লবা অদুগা নুমিৎয়ুংবা মতুং থেঙজিল্লক্লবা মতমদা হেঞ্জিল্লকপা লাইওংশিংগী কাঙলুপ অমনি। নুমিদাংগী মতমদা ৱাখল চমম্নবা হৌবগী ফিভম অসি তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম্না ফিভম শোকচিলহনবা য়াই, খুদম ওইনা:

- চোকথবা
- মঙাল ৱাৎপা
- হকচাংগী ইন্টর্নেল ক্লোকতা অকায়বা লৈবা
- মঙগা তাইবঙগা খাইদোক্লনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইবা
- মখল অমা হেক্তগী ইনফেক্সন অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মীওই অয়াম্বনা সনদাউনিংগী লাইওংশিং অসি দিমেন্সিয়াগী ষ্টেজ ময়ায় চল্লকপদগীনা খুমাঙ চাওশিনখ্রবা মতম ফাওবগী মরক্তা মায়োক্লগল্লি। করিগুম্বা ইশাগী নক্লবা মীওই অমদা হায়রিবা লাইওংশিং অসি মায়োক্লবা থেংনরবদি খুদক্তা অনা লায়েংগী মতেং লৌগদবনি। দিমেন্সিয়ানা নারবা মীওইশিংদা সনদাউনিংগী চৈথেং ফংবগী চাং হন্থহন্নবা ঐখোয়না তৌবা য়াবা খরা মখাদা পীরি, মখোয়শিং অদুদি:

- তূম্বা অমসুং হৌগৎপগী চপ চাবা মতম অমা থম্লগা মদুবু ঙাকহনবা
- নুমিদাংগী মতমদা তূম্নিংবা ফাওহন্নবগীদমক অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা নুংশা মঙালদা মতম লেলহনবা
- মতম চানা চাবা অমদি চরা হেলহন্দবা
- নুমিৎয়ুংবা মতুং (নুংথিল)দা তূমহন্দবা
- অয়ুক নুংথিলগী মতমদা কেফিন অমসুং চিনি চাবগী চাং হন্থবা
- পুক্নীং-ৱাখল ইংথহন্নবগীদমক নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা রিলেক্স তৌহনগদবা খোঞ্জেলশিং তাহনবা
- নুংঙাইনা তূম্নবগীদমক নুমিদাং তূম্বগী অফবা হৈনবী লৈহনবা
- করিগুম্বা লাইওংশিং অদু হেঞ্জিল্লক্লগদি অনাবদুগী দোক্তরগা ৱারী শানবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

সনদাউনিং তৌহনবগী মরমশিংগী মনুংদা দিমেন্সিয়া হায়বসিসু অমনি, অদুবু হায়রিবা ফিভম অসি অতোপ্পা মরম কয়ামুক্লসু ওইহল্লকপা য়াই। করিগুম্বা মীওই অমনা সনদাউনিংগী লাইওংশিংগী মরক্তগী অমা হেক্তা মায়োক্লরবদি পাখৎলোইদবনি। মদুবু থোকহল্লিবা চপ চাবা মরম অদু খঙনবগীদমক দোক্তরদা তানগদবনি। পীরক্লিবা খুদম-চাংদমশিং অদুবু থৌশাদনা লৈথোক্লবদি ফিভম অদু হেন্না লুশিনহল্লকপা য়াই।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# চেন্নরিবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি : কে এস এ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): ৱাটর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্যুসন এক্ট ১৯৭৪গী সেক্সন ৪গী মখাদা ঈশিং-নুংশিৎ অমদি লৈহাও মাঙশিল্লক্লিবা অমদি মোৎশিল্লক্লিবা অসি কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমদা পায়খৎলক্লিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন লাইশ্রম রাধাকিশ্বর, এম এল এ ওইনাম এ সীনা প্রিস্ক্রাইব রুলস হায়বদি ৱাটর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্যুসন এক্ট ১৯৭৪গী ৱাংমদা মীওই ১০৭ ইলিগেল ওইবা মওংদা থবক হাপচিল্লম্বগী থৌওং ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি কম্মিটি অমনা থিজিনহন্দুনা হ্বাইট পেপর পুথোক্কদবনি লোয়ননা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক অকনবা চৈরাক পীগদবনি হায়না কে এস এগী য়ুঠ এফেয়র্স সেক্রেটরি ঐচ বাল্লুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি থাংমৈবন্দদা লৈবা কে এস এগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০১৮দা তাঙ্কক অহুম থোক্লা হায়বদি মে, জুন অমদি ওক্টোবর থাদা অপূনবা মীওই ৫৫বু কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লোয়ননা দেট বেক তৌদুনা কোদ ওফ কন্দক্টকী মাংওইননা বোর্দ অসিদা হান্না লৈখিদ্রিবা পোষ্ট কয়ামরুম য়াওনা অপূনবা মীওই ৫২ হায়বদি ১০৭ হাপচিনখিবগী থৌওং অসি প্রিস্ক্রাইব রুলসকী মতুংইন্না এল রাধাকিশ্বর, চেয়রমেননা বোর্দকী রিজোল্যুসন, গভর্ণমেন্টকী এপ্রুভেল অমত্তা য়াওদনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়দুনা থবক খলহনবনি হায়রি। করিগুম্বা লিগেল বেসিস অমত্তা য়াওদনা এপোইনমেন্ট পীরম্লে হায়রিবা মীওইশিং অসি থা ১/২ তোলোব ফংলম্লগা ফংখিদে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা কে এস এনা চেরোল থোক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা তকশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা নাচুংদনা লৈরি। থোং মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক লেপচরিবা কে এস এনা অসিগুম্বা থৌওং অসি করিগুম্বা হীরম অমত্তদা য়াবা ঙম্লোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

# জন্যুৱারী ৩১দা ‘এ দে ওফ বিত্রেয়েল’ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): চৎলিবা থা অসিগী জন্যুৱারী ৩১দা ‘এ দে ওফ বিত্রেয়েল’ হায়বা খোল্লাউগী মখাদা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ৱাথোক ওইরবা অনৌবা ফার্ম লো অহুম হন্দোক্লবা হৌখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা পাস তৌখ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা সময়ুক্তা কিষান মোর্চাদা থাজবা পীখিবা পাউখুমশিং হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্কবা হোৎনদ্রি। হৌখিবা জন্যুৱারী ১৫দা ফমখিবা সময়ুক্তা কিষান মোর্চাগী অখন্নবা মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অনীনা থাজবা পীখিবা ৱাফমশিং নৌহৌননা খন্নবগা ইরোয়ননা সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক মখাদা শেমখিবা কম্মিটিগী রিপোর্টশিং অমুক হন্না নৈনরবা মতুংদা এস কে এমনা মরুওইনা তাল্লিবা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস লো ওইনা চৎনহন্নবা, ইলেক্ট্রিসিটি এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২১ চৎনহন্দনবা অমসুং লক্ষিম্পুর লৌমী মীহাৎতা চেন্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অজয় মিশ্রা মফম লৌথোক্লবা দিমান্দশিং মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩১দা লৈবাক শীনবা থুংবদা ‘এ দে ওফ বিত্রেয়েল’ হায়বা খোল্লাউ মখাদা প্রোটেষ্ট তৌনবগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি।

এস কে এমনা অখন্নবা পাউজেল পীরকপদগী সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ননা খোঙজং অসি শৌগৎনবগীদমক জন্যুৱারী ২৪দা ফমখিবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নগী মীফমনা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। নীংশিংবা য়াবদি, ফেব্রুৱারী ২২ অমসুং ২৩দা পাঙথোক্কদবা সী টি য়ুগী নুমীৎ নীনিগী ওইবা নেসনল ৱাইদ প্রোটেষ্ট শৌগৎনবা এস কে এমনা ফিরেপ লৌখিবসু লৈখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮। ০১। ২০২২ইং, ইরাই;
ৱাকচিংগী ২৬নি পানবা।

মেষ: অনৌবা থৌরম পাঙবদি ফবা খরা ৱাৎলসু অতৈ লম খুদিংদা মায় পাক্লনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, ঙাঙ-শকপা হৈগনি, থবক পাঙগনি অমদি শেলসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: নীঙবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। ইশাসু খীঙবা, মীয়ামগসু মরী ফবা অমদি ৱাখল য়াম্না থোক্কনি অদুনা পাঙগে খনবা থবক্তু মী-ঙাইদনা পাঙহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

মিথুন: নীঙবা থুংগনি, নচাক নরল চঙগনি অমদি মীচং খোম্বা য়াগনি। পুক্লিং চিংনবা অমদি কিবদি ফাওগনু-অরাপ্পগা মরুপ ওইবা কান্নরোই। মৈদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

কর্কট: থৌনাদি লৈয়ু অদুবু নাপলদি তৌগনু-নত্রদি ঙসিসু পামদবা নংবা য়াই। নাইতোম ৱা তুপকনু অমদি হেন্নসু অশা চাওরুনু। পোরম য়াৎপা হৈবা মী তান্নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- চীন য়াংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: য়েৎনরম্বা কোকচগনি, ইমুং মনুংগী ৱানা অমদি লান্দবনা উপাই ওইগনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা অমদি মায় পাকচবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: ৱাখল খরা নুংঙাইগনি, শেলথুম অমদি লৈফমগী মতাংদা নুংঙাইজবা ফংগনি, মীয়াম্না চানবীবা অমদি মীয়াম লোইনরগা নুংঙাইবা লৈগনি। হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: নোল্লুকপা ৱাৎপনা ফংবা য়াবা ফংদবা অমদি মরুপ মপাঙগা মরী ফবা ৱাৎপা লৈ। থবক্কী লমদা নরলদা তাইনগনি-খুৎ চাউগনু। মীয়ামগী থবক্তদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: হরাওবা নুংঙাইবা, ৱাখল থোকপা, অনৌবা অশা লাকপা, শেন্দোং য়াম্না ফংজবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমিৎনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: অনৌবা মরুপ ফংবা, মীতোপ্পা চানবীবা অমদি লমদৈ কান্নবা ফংবা লৈগনি। লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎপনা মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি-ৱা ঙাংদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: শেল থুমগী লমদা কান্নগনি, অনৌ-অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। মীয়াম্নদি চানবীবা ৱাৎলি-ঈরাং পুগনু নথৌদা পুক্লিং চঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কুম্ভ: মায় পাকচবা, অনৌ -অনৌবা ৱাখল লাকপা, শেন্দোং তানবা থবক্তা কান্নবা হেনবা অমদি থৌনা লৈবনা মীকোক থোংবা য়াবা নুমিৎনি। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা


মিন: হেন্না অশা চাওরুবরা হায়ববু মীপাইবা নংগনি-মরম চাদনা হোয়া ফগনু। অতৈ লমদদি ফগনি-শেল ফংগনি, য়েৎনরম্বা কোক্কনি, অঙম্বনা শোয়দনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# তুশর নোংথোম্বম







ঙা ফাবা। ঙাগী মবুক মনুংদা নুংশিবা, কল্লকপা, অপাম্বা য়াওরমগদ্রা। পুন্সিগী লানফমসিদা মী কয়ানা লাং কয়া থাকই, অদুগা অশোনবা কয়ানা থুরি ওইহন্নিংদবা মতম্না য়েৎশিন্নহল্লি। অচীকপা নুমিদাংৱাইরমদা ঙামীশিংনা কপ্পী, ঙামীশিংনা নোকই অমুক।